শ্রীকান্থনা চাইনিজগী শি য়ুকিবু মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজ ফাইনেল চঙখ্রে

সিদনি, জুন ২৪ :

কিদম্বি শ্রীকান্থনা মফম অসিদা চখরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচতা মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা চিনাগী শি য়ুকিবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা থংন-থংননা সুপর সেরিজগী অহুল্লকশুবা ওইনা ফাইনেল চঙখি।

সিঙ্গাপুর অমদি ইন্দোনেসিয়াগী ফাইনেল চঙখিবা শ্রীকান্থনা ইন্দোনেসিয়াগী সোনি দৱি কুনকোরো, মলেসিয়াগী লি চোং ৱৈ, চাইনিজগী দো চেন লোং অমদি লিন দানগা পুনখিদুনা সুপর সেরিজগী থংন-থংননা অহুল্লকশুবা ফাইনেল চঙবা ঙন্বা মঙা শুবা শট্লর ওইখি।

হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর থ্রি অমদি অরোইবা এদিসন্দা সেমি ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা শ্রীকান্থনা মেচ অদুদা মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা ওল ইংলেন্দগী ফাইনেলিষ্ট শি য়ুকিবু ২১-১০, ২১-১৪ দা মিনিট ৩৭ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখ্রে।

শ্রীকান্থনা চাইনিজগী শি য়ুকিবু মায়থীবা পীখিবা অসি হন্দক্কী অসিগা থারগা অনীরকশুবসু ওইখি। শ্রীকান্থনা শি য়ুকিবু চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা সিঙ্গাপুর ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীখিবনি।

রিও ওমেম্পিক্সকী মতুংদা মহাক্কী য়েৎ থংবা এঙ্কলদা শোকখিবা শ্রীকান্থনা হায়খি, মসি দ্রিম পার্ফোমেন্সনি। ঐনা চহী অনীগী মতুংদা সিঙ্গাপুর ওপনগী ৱর্ল্ড সুপর সেরিজ ফাইনেলদা শান্নখি।

ঐনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অয়াম্বা মতমদা কন্ট্রোল তৌনা চৎখি। ঐনা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টদা তরাই তরাই ফংগদবা পোইন্টশিং পীখিদে। ঐনা মেচ অদু মায় পাকখিবদা নুঙাইবা ফাওই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

শ্রীকান্থনা ফাইনেল মেচতা হৌজিক ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইবতা নত্তনা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নসু ওইরিবা চেন লোং নত্রগা কোরিয়াগী লি হয়ুম টুগা অনীগী মরক্তা অমগা শান্নরবা য়াই।

পনবা য়াই, শ্রীকান্থনা ইরাই নুমিৎকী অঙনবা মতমদা শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজগী মেন'স সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মহাক্কী তৌবা ঙন্বা পার্ফোমেন্স অদু মখা তানা চৎখিদুনা কম্পেট্রিওট সাই প্রনিথপু ২৫-২৩, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

গোপিচান্দগী মখাদা একাদেমিক অমত্তদা ট্রেন তৌরকখিবা ইন্দিয়াগী দো অসিনা অহানবা গেমদা অমনা অমগী মায়কৈদা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা শান্নখি। প্লেয়র অনীনা অকনবা মওংদা শান্নখিবা গেম অদু ট্রাইব্রেক্তা পুশিল্লকখিদুনা শ্রীকান্থনা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা শ্রীকান্থনা দোমিনেট তৌনা চৎখিদুনা মেচ অদু মায় পাকখি। শ্রীকান্থনা ৱর্ল্ডনম্বর ৱান সোন ৱান হোবু ঙরাং মিনিট ৫৭ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ১৫-২১, ২১-১৩, ২১-১৩দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুম্মাং চাউশিনখি। শ্রীকান্থনা মমাঙগী চয়োলদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপনগী সেমি ফাইনেলদা অহানবা ওইনা সোন ৱান হোবু মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা ইন্দিয়াগী ষ্টার শট্লর পি ভি সিন্ধুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ডনম্বর ৱান চাইনিজ টাইপৈগী তাই তজু য়িংগী মখুৎতা মায়থীদুনা নীংবা কায়না টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

সিন্ধুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিগা অকনবা মওংদা শান্নখ্রবা মতুং ১০-২১, ২২-২০, ২১-১৬ তা মায়থীহৌখি। অহানবা গেম অদু ইনিদয়ন অসিনা নীংথিনা শান্নখিদুনা তাইবু নক্কাৎখিবগা লোয়ননা গেম অদু ২১-১০ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা প্লেয়র অনীমক্না ক্রিক ক্রিক ইন্ননা শান্নরকখি অদুবু তাইনা হেন্না লাকশিন্না শান্নখিবদগী গেম অদু ২২-২০ দা মায় পাকখি।

অহুমশুবা গেমগী অঙনবা শরুক্তা সিন্ধুনা ১৪-১৫ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু তাইনা হেন্না মতিং লৈনা পাইখৎলকখিদুনা গেম অদু ২১-১৬ তা মায় পাকখি।

অমরোমদা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সাইনা নেহৱালনা ইরাই নুমিত্তা শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচদা সুন য়ুগী মখুত্তা ১৭-২১, ২১-১০, ১৭-২১ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি।

সাইনানা মহাক্কী অনীশুবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টাইটল লৌননবা মিৎয়েং থমদুনা চঙশিল্লকখিবা সাইনানা গেম অদুগী অনীশুবা গেমদা মায় পাকখি। অদুবু অহানবা অমদি অহুমশুবা গেমদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

লন্দন ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অসিনা কুমজা ২০১০ দা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা য়ামাগুচি এ না তাইগা শান্নগনি। অদুগা জপানগী নোজোমি ওকুহরানা সুনগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ন শট্লর বি সাই প্রনিথ, কিদম্বি শ্রীকান্থ, সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধুনা ওষ্ট্রেলিয়া ওপন সুপর সেরিজগী শগোলশেন নুমিত্তা শান্নখিবা মখোয় মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দ মেচশিং মায় পাকখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মালেমগী ১৪শুবা রেঙ্কদা লৈরিবা প্রনিথনা চিনাগী হুৱাং য়ুজিয়াংবু ২১-১৫, ১৮-২১, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

শ্রীকান্থনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সোন ৱান-হোবু ১৫-২১, ২১-১৩, ২১-১৩দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কম্পিটিসন্দা মালেমগী অহুমশুবা রেঙ্কদা লৈরিবী পি ভি সিন্ধুনা চেঙ জিয়াওজিনবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল আইটতা চঙখি।

সিন্ধুনা চাইনিজগী ওপোনেন্টবু য়াম্না লাকচনা ২১-১৩, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীখি।

সাইনা নেহৱালনা মালেসিয়াগী সোনিয়া চিহবু ২১-১৫, ২০-২২, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

লাইশ্রম দেভেন্দ্রো, অঙ্কুশনা উলানবাটর কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙখ্রে

শ্যামকুমার, হুশামুদ্দিন, প্রিয়াঙ্কা চৌধুরিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে

উলানবাটর, জুন ২৪ :

কম্মনৱেলথ গেমসকী সিলভর মেদলিষ্ট লাইশ্রম দেভেন্দ্রো সিংহ (কেজি ৫২), সিংহনা মফম অসিদা চখরিবা উলানবাটর কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল বাউটতা মহাক্কী মায়োক্নখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর অঙ্কুশ দাহিয়া (কেজি ৬০) সু ফাইনেল চঙখ্রে।

মণিপুরগী বোক্সর দেভেন্দ্রো সেমি ফাইনেল বাউট অদুদা মোঙ্গোলিয়াগী গান্দুলাম মুনগুন-ইরদেনেবু য়ুনানিমস দিসিজন্দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা হান্নগী এসিয়ন য়ুথ সিলভর মেদলিষ্ট অঙ্কুশনা রসিয়াগী রাদনা তসিবিকোভপু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা অতোপ্পা বোক্সর অহুম কে শ্যামকুমার (কেজি ৪৯), মোহন্মদ হেসামুদ্দিন (কেজি ৫৬) অমদি প্রিয়াঙ্কা চৌধুরি (কেজি ৬০) না মখোয় মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাউটশিংদা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি। নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগদবা ফাইনেল বাউটতা লাইশ্রম দেভেন্দ্রোনা ইন্দোনেসিয়াগী অলদোমস সুগুরোগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনগনি।

মহাক্না চহী অসিদা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা কপ অসিদা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মশাগী চহী ২৫ শুরবা হান্নগী এসিয়ন সিলভর মেদলিষ্ট অসিনা টুর্নামেন্ট অসিদা মশা ফিট ওইনা মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স পীখি।

অতোপ্পা ফাইনলে বাউট অমদা মশাগী চহী ১৯ শুরবা অঙ্কুশনা কোরিয়াগী মান চো চোলগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। অঙ্কুশনা য়ুথতগী সেনিয়রদা চঙলক্নুনা চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অসিনা মহাক্কী অনীশুবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টসু ওইরি।

কিংস কপকী গোল্ড মেদলিষ্ট শ্যামকুমারন ফিলিপিনো রোজেন লাদোনগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

হুশামুদ্দিননা মঙ্গোলিয়াগী বাট ওচির তুমুরখুয়াগকী মখুৎতা সেমি ফাইনেল বাউটতা মায়থীখি। নুপীগী দ্রোদা প্রিয়াঙ্কানা কোরিয়াগী হয়ে সোং চোগী মখুৎতা মায়থীখি।

পনবা য়াই, কম্মনৱেলথ গেমসকী শিলভর মেদলিষ্ট মণিপুরগী লাইশ্রম দেবেন্দ্রোনা উলানবাটার কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা মহাক্কী মায়োক্নখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মমাঙ চহীগী অথেংবা শরুক্তা ফ্লাই ৱেথ কেটাগোরিদা চঙলকখিবা দেবেন্দ্রোনা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা মহাক্কী মায়োক্নখিবা রসিয়াগী দিমিত্রি য়ুসুপোভপু থিন্দৎতুনা টুর্নামেন্ট অসিগী লাষ্ট ফোর ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ত্রাইএলদা মায়থীহৌখিবদগী শরুক য়াখিদবা মণিপুরগী চহী ২৩ শুরবা বোক্সর অসিনা মহাক্কী মায়োক্নখিবা রসিয়াগী লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিবা অসিনা মঙোন্দা মেদল লৌগনি হায়বগী হেন্না থাজবা হেনগৎহনখ্রে।

কভিটানা দল্লিয়ুদল্লিয়ুঈদা শরুক য়াবা অহানবা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ওইরগনি

ন্যু দেল্লি, জুন ২৪ :

হান্নগী কম্পিটিটিভ পৱরলিফটর কাভিটা দেবীনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং ইন্টরটেন্টমেন্ট (দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈ) দা শরুক য়াদুনা অহানবা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ওইরগনি।

মহাক্না নুপীগী ওইবা কম্পেনিগী অহানবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদুনা মহাক্কী তৌবা ঙম্বদু মালেমগী মীয়ামদা উৎকদৌরি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈ দুবাই ট্রাইআউটতা শরুক য়াখিবী সাউথ এসিয়ন গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট অসিনা মে য়ঙ ক্লাসিক টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা রেষ্টলর ৩২ না পার্টিসিপেট তৌগনি হায়না কম্পেনিনা লাউথোকখি।

হরিয়ানাদগী হৌরকখিবী কাভিটানা প্রোফেসনেল রেষ্টলর অমা ওইনবগীদমক পঞ্জাব বেজ রেষ্টরলিং প্রামোসন অমদি ট্রেনিং একাদেমী দ গ্রেট খালি (দালিপ সিংহ রানা) গী গাইদেন্স মখাদা ট্রেনিং তৌখি। মহাক্না মহাক্কী রেষ্টলিং ভিদিও অমা পুথোকখিবদগী মীয়াম্না মাবু মশক খঙনবা হৌখি। মহাক্না ভিদিও অদুদা নুপী রেষ্টলর বি বি বুল্ল বুল্লগা লম্বানদুনা শান্নখি। ভিদিও অদু সোসল মেদিয়াদা থাগৎতুনা মীয়াম্না হেন্না শকখঙনবা হৌখি।

কাভিটা দেবীনা হায়খি, নুপীগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈদা শরুক য়াবা অহানবা ইন্দিয়াগী নুপী অমা ওইগদৌরিবা অসিদা ঐনা চাউথোকচৈ। ঐনা মসিগী প্লেটফোর্ম অসিদা চঙবা ঙম্বা অসিনা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা নুপীমচাশিংদা দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈ দা চঙনিংহন্নবগী ঈথিল পীবা ঙম্লগনি হায়না আশা তৌরি। ঐনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীগনি অমদি ইন্দিয়াবু চাউথোকচহনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মে য়ঙ ক্লাসিক অসি জুলাই ১৩ দগী ১৪ ফাওবা মালেমগী টোপ ফিমেল কম্পিটিটর ৩২ না শরুক য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসি সিঙ্গল ইলিমিনেসন ওইগনি।

দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈ টেলেন্ট দিভলপমেন্টগী ভাইস প্রসিদেন্ট কেনয়োন কেমেননা হায়, কাভিটা দেবীনা দল্লিয়ু দল্লিয়ু ২০১৭ দুবাই ট্রাইআউটতা মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি। মহাক অসি এথলেটিক ওইবা অমদি মশা কনবা নুপী অমনি। মহাক্না স্পোর্টস ইন্টরটেনমেন্ট মশক খঙনা শান্নবা ঙন্বা অমদি মীয়াম্বু নুঙাইহনবা ঙন্বা শান্নরোনি হায়বা মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ চখবা হৌখ্রে

ICC
WOMEN'S WORLD CUP
ENGLAND & WALES 2017

লন্দন, জুন ২৪ :

ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপনা ইংলেন্দদা অমুক হল্লকখিদুনা ঙসিদগী লৈবাক নিপাননা শরুক য়াদুনা চখবা হৌখ্রে। ৱর্ল্ড কপ অসি অহানবা ওইনা ইংলেন্দনা কুমজা ১৯৭৩দা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা হৌখি। মতুং কুমজা ১৯৯৩ দা অনীরকশুবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি।

অহুমলকশুবা ওইনা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী ১১ শুবা এদিসনগী ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ চখবা হৌখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসি লৈবাক নিপাননা অথোই অহেন তান্নরি। অথোই অহেন তান্নরিবা লৈবাকশিং অদুদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়া, য়ুম্বু ইংলেন্দ, ইন্দিয়া, ন্যুজিলেন্দ, পাকিস্টান, সাউথ অফ্রিকা, শ্রী লঙ্কা অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপা মেচতা ন্যুজিলেন্দ অমদি শ্রীলঙ্কা অনীনা শান্নখি অদুগা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা মেচতা ৱেষ্ট ইন্দিজগা মায়োক্নদুনা জুন ২৯ দা শান্নগনি।

ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ অসি হঙ্গৎনা য়েংবদা কান্নগনি। ৱর্ল্ড কপ অসি অহানবা ওইনা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ১৯৭৩ দা পাঙথোকখি। অহানবা লিমিটেদ ওভর অসিগী ৱিন্নরনা য়ুম্বু ইংলেন্দনা ওইখি। নুপাগী ৱর্ল্ড কপ্তুগী চহী অনী ঙনখৎনা পাঙথোকখিবা নুপীগী অহানবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা লৈবাক তরেৎনা শরুক য়াখি। লৈবাকশিং অদুদি ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ, জামাইকা, ট্রিনিদাদ এন্দ টোবাগো, ইন্টরনেসনল এলেভেন অমদি য়ঙ ইংলেন্দ নি। মার্কি ইভেন্ট অদু রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা চখখি। টুর্নামেন্ট অদুদা ইংলেন্দগী ইনিদ বেকৱেল্ল অমদি লয়ন্ন থোমাসনা অহানবা সেঞ্চুরিশিং লৌখি। টুর্নামেন্ট অদু য়ুম্বুনা রেকেল হেহো-ফ্লিন্টকী কেপ্টেনসি মখাদা টাইটল লৌখি।

অনীশুবা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপনা ইনিদয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ১৯৭৮ দা পাঙথোকখি। টুর্নামেন্ট অদুগী ৱিন্নরনা ওষ্ট্রেলিয়ানা ওইখি। টুর্নামেন্ট অদুদা টিম মরিনা শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা লৈবাকশিং অদুদি ওষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ, ন্যুজিলেন্দ অমদি য়ুম্বু ইন্দিয়ানি। টুর্নামেন্ট অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা মখোয়গী অহানবা ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌখি। ওষ্ট্রেলিয়ন টিম অদু মার্গরেট জেন্নিংসনা কেপ্টেন ওইখি।

অহুমশুবা এদিসনগী ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ অদু ন্যুজিলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ১৯৮২ দা পাঙথোকখি। টিম মঙানা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা অনীরকশুবা ওইনা ৱিন্নর ওইখি। টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স এলেভেননা অনৌবা টিম ওইনা শরুক য়াখি। টিম খুদিংম্না মেচ তরানিথোই শান্নরবা মতুং টোপ টিম অনী ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ইংলেন্দনা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। মদুদা দিফেন্দিং চেম্পিয়নননা ৱিকেট অহুমদা মায় পাক্তুনা টাইটল দিফেন্দ তৌখি।

কুমজা ১৯৮৮ দা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মরিশুবা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ পাঙথোকখি। টুর্নামেন্ট অদুদা এসোসিএটে নেসন্স-আইরলেন্দ অমদি নেদরলেন্দসনা অহানবা ওইনা শরুক য়াখি। টিম মঙানা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা আর্ক-রাইভেল ইংলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। সম্মিট ক্লাশ অদুদা য়ুম্বুনা ৱিকেট নিপান্দা মায় পাক্তুনা অহুল্লকশুবা ওইনা টাইটল লৌখি।

কুমজা ১৯৯৩ দা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা মঙাশুবা এদিসনগী ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ পাঙথোকখি। টুর্নামেন্ট অদুদা দেনমার্ক অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজ য়াওনা অপুনবা লৈবাক নিপাননা শরুক য়াখি। ফাইনেলদা য়ুম্বু ইংলেন্দ অমদি ন্যুজিলেন্দ অনীনা শান্নখি। মদুদা ইংলেন্দনা রন ৬৭ তা ন্যুজিলেন্দবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। ইংলেন্দগী জেনেট্ট ব্রিট্টিননা ৱর্ল্ড কপ্তা রন ১০০০ লৌবা ঙন্বা অহানবা নুপী বেটসমেনসু ওইবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯৭ তা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহী ২০ গী মতুংদা সব-কান্টিনেন্ট অসিদা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ পাঙথোকখি। টুর্নামেন্ট অসিদা রেকোর্দ ওইনা টিম ১১ না শরুক য়াদুনা অহানবা ওইনা ওভর ৫০ দা শান্নবা হৌখি। ওষ্টেলিয়াগী বেলিন্দা ক্লার্কনা নোট আউটতা রন ২২৯ অমদি ইংলেন্দগী চার্লোট্ট ইদৱার্দসনা মায়থীবা য়াওদনা রন ১৭৩ লৌদুনা ইন্দিভিজুয়েল অনীনা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ওইদুনা ৱিমেন'স ক্রিকেটকী পুৱারী শেমখি। অদুগা পাকিস্টাননা বোল ৮২ দা রন ২৭ খক্তমক লৌদুনা নুপীগী গেম অসিদা অপুনবা রন খ্বাইদগী নেম্না লৌবা টিম ওইখি। কোলকাটাগী ইদেন গার্দেন্সদা শান্নখিবা ফাইনেল গেম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যুজিলেন্দবু ৱিকেট মঙাদা মায়থীবা পীদুনা মরিরক শুবা ওইনা টাইটল লৌখি।

কুমজা ২০০০ দা ন্যুজিলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা তরেৎশুবা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ অদুদা টিম নিপালনা শরুক য়াখি। ফাইনেলদা ন্যুজিলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়া অনীনা শান্নখি। মদুদা ন্যুজিলেন্দনা রন মরিদা মায় পাক্তুনা অহানবা ওইনা টাইটল লৌখি।

কুমজা ২০০৫ দা সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইদুনা রেইনবো নেসন অসিদা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ পাঙথোকখি। টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা অনৌবা লৈবাক ওইনা ইন্দিয়ানা ফাইনেল চঙখি। মদুদা টুর্নামেন্টগী ফেভোরাইট ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ৯৯ দা মায় পাক্তুনা গ্লোবেল ইভেন্ট অসিগী টাইটল অমুক হন্না লৌখি।

কুমজা ২০০৯ দা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মাপলশুবা এদিসন পাঙথোকখি। টুর্নামেন্ট অদু ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) না অহানবা ওইনা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা ইংলেন্দ অমদি ন্যুজিলেন্দ অনীনা ফাইনেলদা শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদুদা ইংলেন্দনা ন্যুজিলেন্দবু মায়থীবা পীদুনা অহুল্লকশুবা ওইনা টাইটল লৌখি।

কুমজা ২০১৩ দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা তরাশুবা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ পাঙথোকখি। ইন্দিয়ানা য়ুমথংনরিবা শ্রী লঙ্কাগী মখুৎতা মায়থীদুনা য়াম্না ঙন্না লৈহৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা মখোয়গী সুপরসিক্স মেচশিং মায় পাক্তুনা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল চঙবা ঙমখি। ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা রন ১১৪ দা মায়থীহৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা তরুক্লকশুবা ওইনা টাইটল লৌখি।



COMPOSITE CENTRE OF LEARNING
A Co-Educational Higher Secondary School Motto: Empowerment of Human Potential Heibong Makhong
Admission Open
Class XI Science
75 Seats
Special Features:
- LATEST VALUE BASED TEACHING METHOD WITH MODERN TECHNOLOGY
- HIGHLY QUALIFIED TRAINED AND LONG EXPERIENCED DEDICATED TEACHERS
- SPECIAL MERIT PRIZES TO THE HIGHEST MARK SCORER OF ALL CLASSES
- REGULAR COMPUTER FACILITIES TO ALL CLASSES
- BOARDING FACILITIES (BOYS & GIRLS) SEPARATELY

Last Date of Admission 30th June, 2017
Class Commencing from 3rd July, 2017
for more details CALL: +91 8131 866 919
HL-P/0659/22 to 28

ꯈꯨꯝꯅꯖꯤꯟꯅꯕ/হকচাং হাক্কচবা, ফুরি মকুপ চাফৎলগা হাক্কচবা, সৌজ ময়াদা নাই চারগা ঈ তাবা, ঈতোন ফাইরগা পুক য়েকপা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি

নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাতুনা হকচাং হাক্কৎচবা, ফুরি মকুপ চাফৎলগা হাক্কচবা, সৌজ ময়াদা নাই চারগা ঈ তাবা, ঈতোন ফাইরগা পুক য়েকপা, শা-ঙা চারগা খোঙ হেন্না হাম্লগা পুক য়েক্লগা চিং লাওবা, খোঙ হাম্বা লিক্লকপা অমসুং মতম কুইনা চঙবা, লু-তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ হাম্বদা শেংনা হামদোক্তবা, অমাঙথোং অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা চক-চক লাওবা, অমাঙথোং লুম-লুম লাওবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম** ☎ **৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু ওপরেসন তৌদনা ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

থাগৎচরিবা : **Soraisam Boicha Singh**
Singjamei

HL-P/1649/25

ꯈꯨꯝꯅꯖꯤꯟꯅꯕ/খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, অমাঙথোংদা সনারৈগুম্না মোন-মোন লাওনা লৈবা, অমাঙথোংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা জিয়া উল-হগপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্লিং-হাম্লিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্লি হায়না চঙলগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, অমাঙথোংদা সনারৈগুম্না মোন-মোন লাওনা লৈবা, অমাঙথোংদা য়াম্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোংদা খুজিল্লগা চিকপা-নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক নুংঙাইতবা অমদি পুক নাবা, চাবা-থকপা য়াদবা, চাবা তুমদবা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা, চিকপা-নাবা অমদি শিথবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা অমাঙথোংদা য়াম্না হাক্কচবা অমদি খোঙ হাম্বা য়াদবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **8414825323, 9615256612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।

লায়েংফম ঃ 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday & Saturday Open).

থাগৎচরিবা : **Ng. Kiranbala**
Sagji Lampak

HL-B/3961/22/06-23/07

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd June 2017 Time : 4:30 pm - 7:30 pm
Foundation Course for Class XI & XII Starts: 22nd June 2017 Limited Seat
TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M. D/o M.Humeshwar & R.K.Raina
4th Position Rozaria Th. D/o. Th.Joychandra & R.K.Mirabai
4th Position Khushi Kh. D/o. Kh. Rakesh & Rita Devi
6th Position Micheal A. S/o. A.Hemanta & Ranjana Devi
8th Position Bideli Devi D/o. A. Deben & M. Bimola Devi
9th Position Md. Swadique S/o. Md. Mujibur & Mrs. Sakila
9th Position Robinson Kh. S/o. Iboyaima Kh.
9th Position Russel Ch. S/o. Johnson Ch.
13th Position Th. Yaiphabi D/o. Bhagat Th.
14th Position Siddhant W. S/o. W. Nabakumar
15th Position Neelima N. D/o. N. Surjit Singh
17th Position Krishnand L. S/o. L. Robindro
20th Position K. Hennae D/o. K. Debadutta
21st Position M. Thoibisana D/o. M. Bimol
21st Position Tina Th. D/o. Shaphaba
21st Position R.K. Kebisana D/o. R.K. Deepak
22nd Position Guigaingam K. S/o. Titus Kamei
23rd Position Ng. Babyka S/o. Ng. Bikramjit
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN / BUS AVAILABLE
9856988840
9402897710
8732022342
CONGRATULATION TOPPERS OF XII SCIENCE - 2017
1st Position G. Gopal Krishna S/o. G. Gajendra G. (O) Ajita
2nd Position RK Babysana D/o. RK. Tikensana RK. (O) Kunjarashi
3rd Position Victoria Ng. D/o. Ng. Bonobir Ng. (O) Kiranmala
15th Position Gita Elangbam D/o. E. Borkumar E. (o) Girija
HL-B/3932/10/06-12/07